# ইনাক খুন্নবগী ফোর্মুলা

## (অহুমশুবা পন্দুপ : Project Formulation - 5)

– ডা. খুন্দ্রাকপম দেবানন্দা –
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর, দিপার্টমেন্ট ওফ মেনেজমেন্ট
নোর্থ-ইষ্টর্ন হিল য়ুনিভর্সিটি, তুরা কেম্পস, তুরা, মেঘালয়া
Email: devananda.singh@yahoo.com

ময়াম্বু খুরুমজরি। মমাঙগী চেফোঙদা ঐখোয়না প্রোজেক্ট অমা শেম শাবগী মথং-মনাও নাইবা থৌওংশিংগী মতাংদা পামিন্নখ্রে। লোয়ন-লোয়ননা নিংথিনা শেম শারবা প্রোজেক্ট অদু থবক ওইনা পাঙথোক্লবগীদমক্তা মদুদা চঙগদবা শেল অদু ফংননবা হোৎনবগী তাঞ্জা অদু য়ৌনা খন্নখ্রে। মখা তানা পঞ্জরবদা প্রোজেক্ট অদুদা থাদগদবা শেল অদু মখাদা পীজরিবা সোর্সশিংসিদগী অমা হেক্তা ওইবা য়াই।

১) ইশাগী লৈজবা শেল।

২) হান্ননা ইন্টরপ্রাইজ অমা চলাইদুনা লৈবা ওইরগনা, মদুদগী লেমহৌবা শেন্দোং।

৩) অতোপ্পা মীওই নৎত্রগা বেঙ্কতগী পুবা শেল নৎত্রগা

৪) মথক্কী অহুমসিগী মরক্তা অনী নৎত্রগা অহুম য়ানশিন্নদুনা প্রোজেক্ট অদুদা থাদনবা শেল থৌরাং তৌবা।

অদুদি হৌজিক ঐখোয়গী খূত্তা প্রোজেক্ট অদুদা থাদগদৌরিবা শেল অদু মথক্তা পীজরিবা সোর্স অমা নৎত্রগা অমদগী লৈরে হায়না খল্লসি। মথংদা তৌগদৌরিবা থবকসি প্রোজেক্ট অদু ইমপ্লিমেন্টেসন তৌবনি। ঐখোয়না থবক অমা 'হৌবা' নাইদ্রবদি থবক্কুগী ফল অমসুং লোইবা নাইবা হায়বসি লৈরোই। তৌবতবু মতম মতমগী মতুংইন্না অহোংবা কয়া লাক্লে। হৌজিক্তি অহোংবশিংসিসু অসুক্কী মতিক থুনা লাক্লে। মরম অদুনা প্রোজেক্ট অমা ইমপ্লিমেন্টেসন তৌবা হায়বদি থবক হৌবা হায়বসিগী তাঙ্কক অসিদা অমুক্তং ৱাখল তানা নৈনবসু মথৌ তারি। খুদম ওইনা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মরকসিদা প্রোজেক্ট অমা হৌবা হায়বসি অরুবা অমদি মায়থীনবগী মরম অমসু ওইবা য়াই। মতাং অসিদা এরিষ্টোটলনা হায়রম্বা 'নিংথিনা হৌবা হায়বসি তঙ্খাই লোইরবনি' হায়বদু নীংশিংবা য়াই। অদুবু অমরোমদা অমুক য়েংলুরগদি থেংথবা হায়বসি শেল মাঙননবগী মরম অমসু ওইরি। খুদম ওইনা বেঙ্কতগী শেল অদু লোন ওইনা ইশাগী নৎত্রগা ইন্টরপ্রাইজগী একাউন্টতা হেক চঙলকপা নুমিৎতুদগী শেন্দোই হোৎপা হৌগদৌরিবনি।

অদুদি হৌজিক প্রোজেক্ট ইমপ্লিমেন্টেসনগী মতাংদা খন্নরসি। মমাঙদসু পঞ্জখ্রে মদুদি প্রোজেক্ট অমা হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা প্রোজেক্ট অদুদা তৌগদবা থবক থৌওংশিং খঙদোকপা, থবক থৌওংশিংদুগী মরক্তা অমগা অমগা লৈনবা মরী অমদি চপ মান্নবা মতমদা পাঙথোকপা য়াবা থবক থৌওংশিং, থবক থৌওংশিংসিগী অহান অকোন অসিনচিংবশিংসি নিংথিজনা শেম শাদোকপীগদবনি। মতাংসিদা ঐখোয়না তৌগদবা থৌওংশিংদুগী নেটৱর্ক দিজাইন শেম্বা মথৌ তাই। মসি শেম্বদা Programe Evaluation Review Technique (PERT) অমসুং Critical Path Method (CPM) হায়বা টেক্নিক অনীখক তোয়না শীজিন্নৈ। অসুম্না শেম্লবা প্রোজেক্ট নেটৱর্ক দিজাইন অদুনা অতোপ্পা হেক্তা তহা-তহা হৌজিনবা প্রোজেক্টশিংদগী চাওখৎপা য়াম্না হেল্লি। খুদম ওইনা, প্রোজেক্ট অদু মোনিটরিং তৌবদা, কন্ত্রোল তৌবদা অমদি চঙগদবা মতম লেপথোকপদা প্রোজেক্ট নেটৱর্ক শেম্বনা শেমদবদগী হেন্না কান্নবা পী। অসুম্না প্রোজেক্ট অদু ৱাখল তানা অমদি মথং মনাও নাইবা থৌওংদা ইমপ্লিমেন্টেসন তৌবীগনি।

মখা তারকপদা প্রোজেক্ট অমা হেক হৌখিবগা তৌগদবা থবকসি, প্রোজেক্ট অদু নিংথিজনা মথৌ পাঙথোক্লিব্রা নৎত্রগা পাঙথোক্তব্রা হায়না য়েংশিনবা অমদি ইভালুএট তৌবসিনি। মতাংসিদা ঐখোয়না খঙজিনগদবসি প্রোজেক্ট অমা লোইরগা ইভালুএসন তৌবা য়াই। তৌবতবু প্রোজেক্টতু লোইদ্রিঙৈদা, তৌনা তৌনা ইভালুএসন তৌরবদি মতাং চানা অশোয়বা কয়া শেমদোকপা অমদি অৱাৎপা কয়া মেনশিনবা য়াই। প্রোজেক্ট অমা ইভালুএসন তৌবদা থাদখিবা শেল অমদি মদুদগী লাকপা শেন্দোং খক্তমক য়েংবা হায়বসি অপিকপা ইন্টরপ্রাইজতগী হৌরগা অচৌবা ইন্টরপ্রাইজ ফাওবনা তৌনবা থৌওংনি। অদুবু অশেংবা থৌওংদি মসিগী মথক্তা প্রোজেক্ট অদুনা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন্দা করি চৈথেং পীবগে হায়বদুসু য়েংগদবনি। মসিগী মতাংদা মমাঙগী চেফোঙশিংদসু খরা মখৈদি নৈনখ্রে। মখা তারকপদা প্রোজেক্ট অমগী ওইবা কোষ্টশিং অমসুং বেনিফিটশিংসি কাঙলূপ অহুম থোক্লা খাইদোকপা য়াই। কাঙলূপশিংসিগী মতুংইন্না প্রোজেক্ট অমা ইভালুএসন তৌবীগদবনি। মখোয়শিংদুদি :

১) Primary Costs অমসুং Benefits :

মসি প্রোজেক্ট অদুবু চলাইরিবা মীওই নৎত্রগা ইন্টরপ্রাইজ অদুনা থাদরিবা শেল, মতম, মচাকশিং অসিনচিংবা অমসুং ফংলকপা কান্নবশিংদুবু খঙনৈ। মসিদি entrepreneur অদুদা হকথেংননা মরী লৈনবা কোষ্টশিং অমসুং কান্নবশিংদুনি।

২) Secondary Costs অমসুং Bnefits :

প্রোজেক্ট অয়াম্বনা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন চাওখৎপদা মতেং পাংই। খুদম ওইনা প্রোজেক্ট অদু পাঙথোক্লবা হোৎনবদা মীওই কয়া অমদা থবক পী। প্রোজেক্ট অদুগী শেন্দোংদগী লৈঙাক্তা টেক্স পীগনি অমসুং প্রোজেক্ট অদুদা থবক তৌরিবা মীওইশিংদুগী তোলোপতগী ইনকম টেক্সসু লৈঙাক্তা পীগনি। অসুম্না লৈঙাক্কী ইনকম হেনগৎহনবা হায়বসিসু প্রোজেক্ট অমগী তৌদবা য়াদ্রবা থৌওং অমনি হায়না খনবীগদবনি। মসিবু ঐখোয়না ঐখোয়গী অমদি খুন্নাইগী কান্নবশিংনি হায়না লৌবা য়াই।

অমরোমদা অমুক য়েংলুরবদি মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিনা entrepreneur অমদি entrepreneur ওইনীংবা মীওইশিংদা লেম্না ত্রেনিং পীবা, সবসিদি পীবা, টেক্স লৌবীদবা অসিনচিংবশিংসি পনবা য়াই। মসি লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি তশেংনা কোষ্টনি। তৌবতবু মসি কোষ্টনি হায়না লৌনদে। মসিগী মরমদি অসুম্না তৌবসিনা entrepreneur শিংসিনা মায় পাক্লক্লবদি কান্নবা ময়াম অমা entrepreneur মশাদা, খুন্নাইদা অমদি লৈঙাক্তা পীগনি হায়না থাজনৈ। হায়রিবা পূম্নমক্কী অসুপ্পা অসিবু Secondary Costs অমসুং Benefits হায়না খঙনৈ।

৩) Tertiary Costs অমসুং Benefits :

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা অনীসিগী মথক্তা প্রোজেক্ট অদুনা লৌশিনখিবা/চুপশিনখিবা কোষ্টশিং অমসুং কান্নবা কয়া অমা লৈরি। হায়রিবশিংসিদি ঐখোয়না ইরায় লায়না হোৎতোকপা ঙমদে। মসিদি খুন্নাইদা মল্টিপ্লেয়র ইফেক্ট লৈবা থৌওংনা অয়াম্বনি।

অহুমশুবা পন্দুপ : প্রোজেক্ট ফোর্মুলেসন হায়বা তাঙ্ককসি মতাংসিদা লোইশিঞ্জরে। ময়াম্না আর্টিকল অসি পাবদা খরদং কান্নে হায়না খনবীরবদি অতোপ্পশিংদা স্যের তৌবীয়ু। ময়াম্বু অমুক্কসু হন্না খুরুমজরি। ●

# ডাক্তর সলাম মনি লৈখিদবদা

– লৈশাংথেম অজিৎ –

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (এস এ আই) হায়না খঙনবা তাকয়েলদা লৈরিবা শান্নবদা হৈশিংলবা নুপীমচা, নুপীমচা শান্নরোয়শিংবু মালেমদা লৈরিবা খুমাঙ চাওশিল্লবা লৈবাকশিংগী শান্নরোয়শিংগা লম্বা তৌনবা ঙম্লবা মতিক মগুন লৈরবা কোচশিংনা তাকপীরিবা সেন্টর অসিগী দাইরেক্টর ওইরম্বা খক্তা নত্তনা ষ্টেট অসিগী য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসকী দাইরেক্টরসু ওইবিরম্বা ডাক্তর সলাম মনিনা বেঙ্গলোরদা লৈবা মহাক্কী মচানুপীগী ময়ূমদা লৈখিদবা অসি মণিপুর মীয়ামখক্তা নত্তনা ইন্দিয়া অমসুং মালেম অসিদা লৈরিবা মহাক্কী মরুপ-মপাংশিংনা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লরক্লি। ঐখোয়না মহাকপু অহানবা ওইনা উখিবসি কুমজা ১৯৫৪-৫৫গী মতমদা শিংজমৈ মখাগী ওইনাম থিঙেলদা লৈবা 'ঐখোয়গী ক্লব' না শীনবা মণিপুর পুম্বগী ওইবা স্পোর্টস মীট য়াওশঙ মনুংদা পাঙথোকখিবা ক্লাকৈথেলগী টিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন (ত্রাও) হায়না খঙনবা টিম অসিসু শরুক য়াবদা মহাকসু টিম অদুগী এথলিট অমা ওইনা পোল ভোল্টতা শরুক য়াখিবনি।

স্পোর্টস মীট অদুদা মহাক পোজিসন অমা লৌখি। অদুবু মকোক মথং কনা কনানা তাখি হায়বদি নীংশিংবা থোক্ত্রে। মহাক্কা লম্বা তৌনখিবদি হৈরাঙ্গোই থোংদগী লালজি অমদি শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকায় মোঙখাঙ লম্বীদগী ওক্রম জয়ন্তনি। টিম অসিদা শরুক য়াখিবা অমনা তৌরাংবম গম্ভিরচান্দনি। মহাক্তি তা লংবদা চহী অনী মকোক্তা তাখি। গম্ভিরচান্দ গুৱাহাটি য়ুনিভর্সিটি অমদি আগ্রা য়ুনিভর্সিটিগী 'তা' লংবদা মকোক ওইখিবা, মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা 'বাইটন কপ' তা শরুক য়াবা হোকি শান্নরোয়নি।

ক্লব অসিনা চহী কয়ামুক ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লমখি। মতম অদুগী চৎনবী মতুংইন্না অথাপ-অথাপ্পদগী শান্নরোয়শিং নেত্তুনা মখোয় মখোয়গী টিমশিং অদু মায় পাক্লবা হোৎনরম্মী। টুর্নামেন্ট অয়াম্বদি ফুট ৫গী মখাদা লৈবা হায়বদি ফুট মঙা শুনা ৱাংদ্রিবা নুপামচাশিংগী ওইনা পাঙথোক্লরম্মী। লৈখিদ্রবা মনিদি টুর্নামেন্টশিং অসিদা য়াম্না তোয়না শরুক য়াখি। মহাক্কা লোয়নবা ৱাহেংবম লৈকায় অমদি কৈশাম্পাৎতগী শান্নরোয়শিংগা লোয়ননা লম্পাক অসিদা লাক্তুনা অন্দর ফাইভ ফিট (under five feet) হায়না খঙনবা টুর্নামেন্ট



অসিদা শরুক য়াবা লাকখিবদা নত্তনা ক্লাকৈথেলগী শান্নরোয়শিং মীং ওইনা পল্লবদা চন্দ্রসিংহ, অকোয়জম রনবির, মরিশুবা অসাম রাইফলস (কংলা) দগী পাওখোকাম হাওকিপ, এঞ্জিনিয়র ওইখিবনচিংবনি। মখোয় অসিগী মনুংদা ডাক্তর মনিসু য়াওখি হায়।

ঐখোয়না মোইরাংখোম এম ঈ স্কুলদগী ক্লাস সিক্স পাস তৌরগা রাজাদুম্ব্রা হায় স্কুলদা তম্বা মতমদা মহাক স্কুল অদুগী মহৈরোয় ওইনা লৈরম্বা থেংনখি। মতম অদুদা মহাক ক্লাস নাইন নৎত্রগা টেন তম্লম্বা য়াই। মহাক্লা ওজাশিংদা হায়রগা পোল ভোল্ট চোংনবা পোষ্ট অনী কৈশাম্পাৎতগী মমান্নবশিংগা লোয়ননা মখোঙনা পুদুনা লাকখি।

মতম অদুদা হায়জম্প অমদি পোল ভোল্ট চোঙবদা শীজিন্নগদবা পোষ্ট হায়বদি মখোঙ অনী অদু ইরৈ লৈনদে। লৈকায়গী স্পোর্টস তৌবা মতমদা ক্লব অমগা অমগা ৱায়নবা খক্তনি। মসিগী মথক্তা তুরেল মপানগুম্বা লৈঙোই মরাং কায়না লৈতবা মফমদা চোংবগী মশান্না অসি ঙম্নদে।

মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোকখিবা ষ্টেটস গেমস অমদা মহাক য়েংবা লাকখি। মদুদা মহাক নাপী মথক্তা ফমদুনা মখোয়গী লৈকায়গী নহারোল খরগা ৱারী শাদুনা লৈরমখি। মহাক্লা ঐহাক উবদা নহাক্লা হায়জম্প চোঙবা অদু য়েংবা লাকপনি, করিগীনো ফজনা চোঙদ্রিবদি অদুবু নহাক্লা চোঙলিবা অদু অশেংবা হায়জম্প হায়বা অদুনি মরমদি নহাক্কী নরেপ অদু লায়না চোঙই, হায়দুনা পূক্লিং থৌগৎপীখি।

ঐনা খুমখি মদুদি, হয়েংদি ত্রিপল জম্পতা খরা ফজনা তৌজগে। মদুদসু মহাক্লা ঐহাকপু পূক্লিং য়াম্না থৌগৎপীখি। মহাক লক্ষমিবাই কোলেজ ওফ এদ্যুকেসন হায়রিবা মহৈলোইশঙ অদুদা ওজা ওইবদগী জর্ম্মনিগী লিপজিক সহরদা জর্ম্মনি অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা অফবা মরী থম্বগী শরুক অমা ওইনা ফুটবোল করম্না অৱাংবা থাক্তা শান্নবগে অমদি ফুটবোল শান্নবা তম্বীবগী ওজা ওইনবা অৱাংবা থাক্কী ত্রেনিং চৎখিবদা মায় পাকখিবা নুপানি।

মণিপুর মচা অমনা মপান লৈবাক্তা অসুম্বা শান্নবগী ত্রেনিং অমা ফংবা অসি মহাক্লা অহানবনি। মহাক্লা মফম অদুদা ফুটবোল শান্নবদা খুমাঙ চাওশিন্নবা মচাক ওইবা তোঙানবা স্কিলশিং, ফুটবোল শান্নবগী লাল্লোং 'ফোর্মেসন' এটেক অমসুং দিফেন্সকী লাল্লোংশিং অমদি য়ুরোপিয়ানগী ফুটবোল অমদি লেটিন অমেরিকাগী হায়বদি ব্রাজিল, পেরু, অর্জেন্টিনানচিংবা টিম্না শান্নরিবা লল্লোংশিং হায়বদি ফোর্মেসনশিং অদু ময়েক শেংনা তম্লকখি। মরম অদুনা ফুটবোল শান্নবগী মপূং ফাবা ওজা অমা ওইখি। লক্ষমি বাই কোলেজ ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসন হৌজিক্লা য়ুনিভর্সিটি ওইখ্রবা মহৈ তম্ফম অদুদা মহৈরোয় ওইরকখিবা উত্তর প্রদেশকী ভিজয় সিংহ চৌহান্না মহাকপু য়াম্না ইকায়খুম্ননা মহাক্কী মতিক মগুন অদু ঐঙোন্দা নোংমা পটিয়ালাদা ৱারী তৌখি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### ৱাই নিলচন্দ্রনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভকী চৈথেং হকথেংননা ফংদুনা কোভিদ পোজিটিভ ওইদুনা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবা ককচিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈবা ইমুংশিংদা ঙসি মণিপুর পুলিস হাওসিং কোর্পোরেসনদা হান্না এগজেক্যুটিভ ইঞ্জিনীয়র ওইরম্বদগী পোখারবা, ককচিং ময়ায় লৈকায় লৈশাংথেম পরেংদগী সোসল ৱর্কর য়েংখোম নিলচন্দ্রনা কোয়না চত্তুনা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা চাননবা পোৎলমশিং তেংবাং পীখ্রে।

তেংবাং পীবা অদুগা মরী লৈননা সোসল ৱর্কর ৱাই নিলচন্দ্রনা ফোঙদোরকপদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসি লাকশিন্নবা লৈঙাক্লা থমখিবা কন্টেনমেন্ট জোন অমদি কর্ফিয়ুনা মরম ওইরগা মীয়াম্না চান-থক্লবা পোৎলমশিং লৈবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবা অসি য়েংলগা ঙসি তেংবাং পোৎলমশিং অসি পীবনি। মীয়াম্না লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পি ঙাক্লা চৎমিন্নসি। কোভিদ-১৯গী অনীশুবা চেইন অসি থদৎনবা মীয়াম্না য়ূম য়ূমদগী মপান থোকপীগনু। কোভিদ-১৯ মায়থিবা পীসি, ঐখোয় মীওইবা হিংসি হায়না আপীল তৌরক্লি।

### সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট কাপখ্রে

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস): ককচিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা বি জে পি ককচিং মন্দলগা খূৎশম্নদুনা কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯)দগী ঙাকথোক্লবা সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট কাপথোকপগী মখা চত্থরকপা ওইনা ঙসিসু ইরেংবন্দ, সোরা অমসুং পল্লেলদা সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট কাপথোকখ্রে।

এম এল এ রামেশ্বর মশামক য়াওদুনা সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট কাপথোকপগী মতাংদা এম এলনা হায়, মালেমগী মফম কয়াদা পাক-শন্না শন্দোরক্লিবা, মীপাইনিংঙাই ওইনা লাইচৎ, কোরোনা ভাইরস (কোভিদ-১৯)না মণিপুরদা মীওই কয়া নাহনখিবগা লোয়ননা মীশি-মীনা ফাওবা য়াওহনখ্রে।

লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকপদা মতেং ওইনবা ইরেংবন্দ খুঙ্গংগী কোভিদ পোজিটিভ ওইবা মীওই য়াওরকপদগী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোক্তুনা হোম আইসোলেসন তৌরিবা মফমশিং, সোরা খুলগী মসজিদশিংগী অকোইবা অমসুং পল্লেলগী মফম কয়াদা সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট কাপথোকখি।



এম এল এম রামেশ্বরনা হায়, কোরোনাভাইরসকী অনীশুবা ৱেভ অসিনা পাক-শন্না শুন্দোরক্লিবা অসিদা থিংবা ঙম্নবা লৈঙাক্লসু থবক কয়া পায়খৎপীরি। লৈঙাক অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসিদা ঐখোয় খুদিংমক্লা মতেং পাংশিন্দুনা লাইচৎ অসি থিননবা হোৎনমিন্নসি ফোঙদোরকখি।

### কেসো ইরেংবা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস): কেসো ইরেংবা, কংলৈ খোরিরোলগী অৱাং মায়কৈ পনঙাকপীরম্বা অইবা অসিনা লৈখিদবদা অইবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্লা লৈনবা অমদি অইবগী লৈহৌরিবা ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াদুনা নোংচুপ হারম খোজৈ লুপ (নোহাখোল), য়ুরেম্বমনা লুচিংদুনা লুপকী থৌমীশিংনা ঙসি নুংথিল পূং ১ তাবদা মিনিট অমা তূমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না নোহাখোলগী সেক্রেটরি দা. আই এস য়ুম্নামনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

লাইওইখ্রবা কেসো ইরেংবনা কংলৈ খোরিরোলগী তাইবংদা অরংবা থৱান্মীচাক অমা ওইনা মতম চুপ্পদা ঙালহনবীয়ু হায়না তাইবং মপুদা থৌনিজরি হায়রি।

### জোব-কার্দ হোল্ডরশিংদা অৱাবা পীরিবা লৈঙাক্কী থৌশীল খূদক্তা লাল্লে হায়জগদবনি: সী পি আই

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯গী অশি-অনা, লায়েংফম লৈতবগী, ওক্সিজেন ৱাৎপগী, ভেক্সিন কাপ্পা ফংদবগী অমদি কোভিদ টেষ্ট তৌবগী থিংখিবনা শেন্থোক অমত্তা লৈত্রিঙৈ, শুবা-নোম্বা চৎপা য়াদবদগী লায়রবা অমসুং শেন্থোক ৱাৎপা মিদল ক্লাসকী মীয়াম য়াওনা মীয়াম পূম্বনা লাইচৎ অসিবু লান্থেংনরিঙৈ শেনফম খরদং জোব-কার্দ হোল্ডরশিংনা ফংজগদবা হেন্না শেনফম পীথোক্তবা অসি মণিপুর লৈঙাক্কী অশোয়বনি হায়না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা জোব-কার্দ হোল্ডরশিং অসিনা এম জি এন আর ঈ জি এগী শেনফম খরা খরা বেঙ্ক একাওন্টতা চঙলকপনা ইমুং পুনবদা য়াম্না মতেং ওই। অদুবু য়াল্লবা শেনফম অদুবু থিংজিন্দুনা থম্বা অসিনা কার্দ হোল্ডরশিংদদি অৱাবা হাপচিনবগা চপ মান্নে হায়রি।

মতাং অসিদা সি পি আইগী মায়কৈদগী পঞ্জনিংবদি পঞ্চায়ত লোয়শঙ অসিবু করিগীদমক লৈরিবনো। লোয়শঙ অসিদি হৌদোংদা ঙা শঙউ হায়দুনা থম্বা লোয়শঙগুম্বনি হায়নিংই। ফম্বা থবক অমা তৌবা তারবদি তলব চাওনা চারিবা কর্ম্মচারি ওফিসর পূম্নমক লায়রবা মীয়ামগী খূৎশুমল মৎকে খল্লিবা ৱাখল থাদোকউ।

পঞ্চায়ত মিনিষ্টরনা প্রেসতা ফোঙদোকপা ৱাফম কয়া তাজরে। লোয়ননা জিল্লা পরিষদ মেম্বরশিং অমদি মীহুৎ পূম্নমক্কী ৱাসু তাজরে। অদুবু খুরক্তা লীৎথরকপা শেনফম খরা-খরগী জোব কার্দ হোল্ডরশিংগী খূৎশুমন্দি পুথদুনা লৈরে। কোরোনাগী ৱারিঙৈ চৈরক্তা শেনফম খরা খরদং ফংজবদু মমল য়াম্মী, ভেল্যু য়াম্মী হায়জবনি।

নেসনল রুরেল ইমপ্লোয়মেন্ট গরেন্টর এক্ট হায়বদি করম্না লাকখিবনো হায়বদু অমুক্তং খন্থবীয়ু। অয়াম্বা মতমদা ওপোজিশন ওইনা শোথরবা মীয়ামগীদমক লেপচবা সী পি আইনা চহী কয়া চুপ্পা ইমুং অমদা মীওই অমখক্তং ওইরবসু থবক পীয়ু হায়বা খোল্লাওগী পোত্থোক্লি। মতমদুগী লৈঙাক্লা এক্ট অমা পাস তৌদুনা রুরেলখক্তদা লৈবা লায়রবা মীয়ামদা ইমুং অমদা থবক অমা পীবা ওইনা জোব কার্দ সিষ্টেম অসি হৌদোকখিবনি।

সী পি আইগী মায়কৈদগীদি সহরদা লৈবা লায়রবা মীয়ামগী ইমুংশিংসু কোনশিন্নবা তকশিন্দুনা লৈখি। অদুক ৱানা ফংলকপা কান্নবা খরদু ফাওবা লায়রবশিংদা ফংহন্দনবা শীনবা অসি চুমদে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা লাল্লে হায়জবা তঙায় ফদে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

### 'জে এ সীনা লৌরকপা ৱারেপ খূদিংমক শৌগৎকনি'

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস): ঙসি য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমা ওইনা ৱাবগাই এ সীগী মনুং চনবা সঙ্গেলদা উচিৱা নাস্তাওদগী য়ূম পাল্লক্তুনা লুহোংবগী মতম ঙাইরবী, মশা ৱাই শংদ্রবী নুপী অমা মশামক্কী মপুরোয়বনা তমথিনা হাৎতোকপীরগা থল্লম্বদগী মীয়াম্না খঙনরক্তুনা এক্যুইজ ওইরিবা এমদি শরুকখান এলিয়জ সাবিরগী য়ূম থুগায়খ্রে।

অমরোমদা, মীহাৎ অসিগা মরী লৈননা জে এ সী এগেনষ্ট দ ব্রুটেল কিল্লিং ওফ মিস রুহানা হায়না মিংথোনবা জে এ সী অমসু শেমখ্রে। তমথিরবা মীহাৎ অসিদা পেন্নদ্রবা লমদম অদুগী নুপী-অঙাং কয়ানা প্লেকার্দ কয়া পায়দুনা ৱাকৎ মীফমনচিংবসু চত্থদুনা মীহাৎপশিং দন্দি পীয়ু হায়বা খোল্লাওশিং লাউখ্রে। হৌজিক হৌজিক ময়াং ইম্ফাল পি এসকী টিম অমা লাক্তুনা রুহানাগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং লৌখৎখ্রে।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা, এমদি ফিরোজ খান এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি অম্মোকোক হেদ ওফিসনা লুচিংবা অম্মোকোকক্কী টিম অমনা চঙশিন্দুনা ভিক্টিমগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াবগা লোয়ননা মীহাৎ অসিবু অকন্নবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে হায়রি।

অসিগুম্বা তমথিরবা মীহাৎ অসিদা চেন্নবা মরাল লৈবা পূম্নমক মণিপুর লৈঙাক্লা লোগী ওইবা অহকপা চৈরাক পীগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি। লৈখিদ্রবী রুহানাগী জষ্টিসকীদমক্তা জে এ সীনা চঙশিল্লকপা খোঙজং খূদিংমক্তা অম্মোকোকনা হনবা লৈতনা মপূং ফানা শৌগৎকনি হায়বা ৱাফমশিংসু এমদি ফিরোজ খাননা মখা তানা ফোঙদোকখি। মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবা খূদিংমক্তা কেপিটেল পনিশমেন্ট পীবিনবা পূক্লিং চিংশিনখি।

### কোভিদকী চৈথেং ফংলবা ইমুংশিংদা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভনা শোকহল্লবা খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুংদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চান-থক্লবা তঙাইফদবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি এ সী অসিগী এম এল এ টিঐচ লোকেশ্বরগী মীৎয়েং মখাদা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র দিভলপমেন্ট কম্মিটি (কে কে দি সী)গা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি য়ুমনাম পাৎলৌগী ইমুং ৭, তাংখম মখা লৈকায়গী ইমুং ৪, হরাউরৌগী ইমুং ১৩দা পুন্না ইমুং ২৪দা চান-থক্লবা চেং, হৱায়, থাউ, ঙারি, সাপোননচিংবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি। এম এল এ লোকেশ্বরনা মীয়ামগী অৱাবা উবিরদুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপীরম্বগীদমক খুঞ্জাশিংনা থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়রি।

অমরোমদা ৫- থোংজু এ সীগী মীরেপ ওইনা চোংথোক্কদৌরিবা প্রেশয়োজিৎ শংলাকপম (পোপো)গী লমজিং মখাদা শেমখিবা থোংজু কেন্দ্র প্রোগ্রেসিভ য়ুনিয়ন অমসুং হেল্পিং হেন্দ থোংজু কেন্দ্র অনীনা খুৎশম্নরগা কোভিদ ৱারিয়র্স টিম অমা শেম্লগা থোংজু এ সীদা কোভিদ-১৯গী এৱারনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকপা অমদি লায়চৎ অসিনা শোকহল্লবা ইমুংগী মীওইশিংদা কুমজা ২০২০গী অঙনবা শরুক্তগী হৌনা মতেং পাংবগী চৎথরকখিবা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি থোংজুগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা মীওইশিংদা চান-থক্লবগী পোৎলম কয়া য়েন্থোকখ্রে হায়রি। অৱাবা তারবা ইমুংশিংদা মতেং পাংবগী থবক মখা তানা চৎখিগনি হায়রি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।